# মীখল ময়াসিদা মোংলকপা ৱাখল

হৌখিবা চহী মঙাসি, ২০১৭ মার্চ ১৯দগী ঙসিফাও’, মণিপুরগী মীয়ামসিগী মরাইবক ইদুনা লাকপা, ‘বিধাতা’ গী মশক লৌদুনা বিধান সভাদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা ফম্লকপা মখোয় হুম্ফু অদু, মখোয়গী মতম লোইদুনা মহুৎ শিন্নবা মীখল - ২০২২, ফেব্রুৱারী থা অসিগী অরোইবা নুমিৎ তারিখ ২৮দা পাঙথোক্লগনি। ঙসিগা থানা কোরৌ নুমিৎ ১৬নিখক্তা ঙাইরে। হৌখিবা চহী মঙাসি, মশানা মশাবু নিংথৌগুম্না খঞ্জরকপা - মার্চ ১০গী মতুংদদি মীচম অমুক ওইরক্কদবা খরদি শোয়দনা য়াওরগনি খনবদা শ্বায় শ্বায় লাউনবা, অমু’মুক লৌশিং (গ্যান) মাঙবা য়াওনরম্লগনি। ২০১৭ তা ঙাঙলৈনবা মচুগী গান্ধী য়েকপা চেজেৎ অমমম য়েল্লগা নিংথৌগুম্বই ফম্ফমদুদা ফমখিবা, কুমসিদি অদুগুম্বা মঙা মঙা য়েল্লবসু কান্নররোই খঙজবা এম এল এ/মিনিষ্টর কয়া অমসু য়াওরবনি। খঙদে, মখোয়, মীয়ামগী চাকথুং মৎলগা/শেঞ্জা-থুমজা তৌরগা লেপশিনখিবা মরলদু লোইনা চাইথোক্লবসু কাররোই খঙদুনা য়েন্থোক্তুনা তূমিন লৈখিগদ্রা? নৎত্রগা, ‘পূম্নমক খাক্তনা য়েন্থোকখ্রবসু চহী অনীদা হনজিনবসিবু’ ... হায়না খন্দুনা নুমিৎ নিনি’তা ঙাইরবকান্দা খূৎচাও থাদুনা য়েল্লক্কদ্রা! য়েংখিবা তারি। ঙাইখিবা তারি। কেন্দিদেট খরগী ৱার্করদগী তাবা পাউগী মতুংইন্না শেঞ্জাও পায়বা মীরেপ খরগীদি হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর তরানিথোই-তরাহুমদোই লোইখরে হায়নরকপসু তারি। অদুগুম্বা মীরেপ্তুনা, নকশিল্লক্লবা মতমসিদা পাম্মুদুনা লীকশিনখিগদ্রা? ঐদি থাজদে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া’না ইলেক্সন-এক্সপেন্দিচর মোনিটর তৌরিবা-কান্নদবা এক্সরসাইজনি হায়বা খঙনা খঙনা তৌদ’-য়াদবই তৌরিবনি। মমল পীদুনা ভোট লৈবগী থবক, হন্দক ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদসু খাম্বা ঙমদ’ চথরক্কনি য়েংবীয়ু। ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন, অফা-অপূন লৈতনা, পূক্লিং মকা লাম্না ভোটরশিংদা ভোট পীবা মীখল হায়বদুদি শুকওই ওইরোই। লমদমসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা লেজিসলেসন শেম্বা ঙম্বা/শেমগদবা লেজিসলেচর অমত্তসু য়াওরক্লোই। খল্লুবনি - লৌশিং শিংলবা, তাইবঙপানসি উরবা, মতমসিগী অনৌবা মীরোলনি, মীহুৎ খনবা হৈরনি। অদুবু, মীখল মতম নকশিল্লক্লগা ময়েক শেংনা খঙলকই - চহী হুমফুতরামঙা চূপ্পা দেমোক্রেটিক সেট-অপ অমা শাগৎপগী মীংদা লায়রবনা মশীং হেনবা প্রজা অমা হৈনা শিংনা শেমগৎলমখিবা চহী মঙা খুদিংগী অসিগুম্বা নুমিৎ অমমম লেপ্লগা ‘রাজা-প্রজা’ গী মরী অমুমুক শেমগৎনবনি।

লৈবাক ঙাকপা হায়বসি ফুরা-দলান’দা লৈদুনা, মমল য়াম্বা জীপ-কার-ফোর হ্বিল্লরদা তোংদুনা, চাওখৎ-থৌরাং য়াৎপগী মিংদা কোয়না চৎপা, অনানবা-অমোনবা সোফাদা ফম্লগা ওফিসরশিংদা থৌদাবদু নত্তে। থবক হাপ্পা, থিকা পীবা-পোলিটিসিয়নগী মথৌ নত্তে। মতিক চাবা, মতীং লৈবা, ইন্টিগ্রিটি লৈবা, মথৌ খঙবা ওফিসর হাপহনবদু মাগী মথৌনি। শেল চাবা, পর্সেন্টেজ লৌবা, মচিন-মনাও-মরুপ-মপাঙবু থিকাদার ওইহনবদু পোলিটিসিয়নগী মরমচৎ নত্তে। অদুবু, পূম্নমকসি পোলিটিসিয়ন অমগী তৌদ’য়াদবা প্রাইমারি দ্যুটি অমগুম লৌনৈ লমদমসিদদি। ওফিসরশিংগী থবক-মফম হোংদোক হোংজিন, ‘মনি ফোর ত্রান্সফর’ (ত্রান্সফরগীদমক শেল) - পোলিটিসিয়নশিংনা পায়বা, কান্নবা খূৎলায় অমনি।

২০১৪। নরেন্দ্র মোদি কৌবা লৈঙাক অমা ইন্দিয়ন পোলিটিকল সিনারিও’দা থুংলখিঙৈদগী ইন্দিয়া কৌবা লৈবাকসিদা অচৌবা ষ্ট্রকচরেল-চেঞ্জ অমা লাকখি। লমদমসিগী মশক অসিমক হোংদোকপা-মহাক্কী পান্দম অমনি। করম্বা এরিয়াদা করম্বা অহোংবা পুরকপা পামখিবনো? পীকখ্রবা ৱারেং অসিদা পুথোক্তুনা নৈনজরোই। ৱাফম অদু নৈনবা, ৱারেংজরিবা ঐহাক্কীসু ইতিক নত্তে। ইন্দিয়া’না হেক নীংতম্বা লৈবাক ওইরক্তুনা, রিপব্লিক অমা ওইরকঙৈদগী লৈবাকসিগী দিভেলপমেন্ট ইনজিনগী কোক্লেন ওইরকখিবা ‘প্লান্নিং কম্মিসন’ মূখৎতুনা ‘নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ত্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া’ লীংখৎখিবা- মহাক্কী থৌনা ফবা ৱারেপ অদুখক্তনা শক্তাকখ্রবনি- নরেন্দ্র মোদি, ইচম চম্বা পোলিটিসিয়ন অমা নত্তে, মহাক ভিজনেরি পোলিটিসিয়ন অমনি। স্কিল ইন্দিয়া দিজিটেল ইন্দিয়া, মেক ইন ইন্দিয়া, ষ্টার্ট-অপ-ষ্টেন্দ অপ-স্কিম ... মমিংসিমক্তদা ‘ভিজন’দুগী মমি তারবা থৌরাং অমমমনি।

অসিগুম্বা থৌরাং কয়া লাউথোকখিবশিংদুই মনুংদা ঐগী পূক্লিং চিংশিনখিবা, নহাশিংদা মীৎয়েং থমদুনা লাউথোকখিবা থৌরাং অমনি - মুদ্রা বেঙ্ক লীংখৎপা। ২০১৫, এপ্রিল ৮। মাইক্রেম য়ুনিটস দিভেলপমেন্ট এন্দ রিফাইনান্সিং এজেন্সী লীংখৎনবা ৱারেপ লৌখি। এম য়ু দি আর এ - মুদ্রা ... মমিং অসিগী ৱাহন্থোক’সিখক্তং খঙবীয়ু। মসিগী স্কোপ ৱাখলদুদা মদোম থোকচরক্কনি। মাইক্রো’ হায়বদি পীকপদগী পীক্লবা, মীৎনা উবা ফংদবা ‘পীকক্রু’! মীৎনা উবা ঙমদবা অপীকপা জীব, মহীক মতায়, পোৎশকশিংদু য়েংনবা খূৎলায়দুনি ‘মাইক্রোস্কোপ’! পীকপদগী পীক্লবা, কনানসু খঙবীদ্রবা, পীকক্রু পীকপা ইন্দষ্ট্রিঅল য়ুনিটশিং চলাইদুনা মশানা মশাবু থবক পীজরিবা, হিংনবই লম্বী লীংলিবা শিন্মীশিংদা অহেনবা শেন্থং থাদদুনা, শিরুম নারুম হিংলিবা য়ুনিটশিংবু মতু-মমান খীংহনবা-এজেন্সী অসি লীংবগী মরু ওইবা পান্দমনি। ‘মুদ্রা’ হায়বা হিন্দি ৱাহৈ অসি ইংরাজিদা ‘করেন্সি’ কৌই। ঐখোয়গী লোন’দা হায়রগা শেল/শেলয়েক হায়বদুনি। মুদ্রা হায়বা এব্রিবিয়েসন অসি নত্তবা, হিন্দি ৱাহৈ অসি ওইনা খল্লুরবদি, ‘মুদ্রা বেঙ্ক’ হায়না শীজিন্নরকপদা অতাবশিংদা শেরান্নবা ৱাখল অমা পোকহল্লি - মুদ্রা বেঙ্ক কৌবা অনৌবা বেঙ্ক অমা লীংখৎলবা জাৎলা? মুদ্রা বেঙ্ক কৌবা অনৌবা বেঙ্ক অমা লীংখৎপা নত্তে, ‘মুদ্রা’ হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নরবদি মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনগনি - মোদিগী ৱাখলনি। মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর হেক ওইরকপদা অহানবা খনখিবা ৱাখলসি - ‘ইন্দিয়াগী য়াম্লবা লায়রবা মীয়ামসি কনানা থাকপনো’ হায়বা ৱাখলসিনি। মহাক ’সিমদি হান্না খঙখি - অচৌবা ইন্দষ্ট্রি লিংলিবা, কোর্পোরেট হাওজ খুজোক অমসিনা লায়রবা ইমুং পূম্নমকপু থাকপা ওইথোক্তে। থিজিনবদগী খঙলকখি - শেৎপা-চাবা-থকপা মনীং থুংদ্রবা লায়রবা মীয়ামসিবু থাক্লহল্লিবদি - কনানসু খঙবীদবা, কনানসু শেন্থং পীবিদবা, মাইক্রো য়ুনিট ক্রোর হুম্ফুতরেৎ হেন্না লৈরম্লিবা, শিনশঙ মচামচাশিং অসিননি। য়ুনিট অমদা, লায়রবা শিন্মীশিং অদুনা পুবা-লঙবা তৌদুনা থাদরম্লিবা শেন্থংসি, চাংচত্তা লুপা লিশীং তরামঙামুক্তনি। মহাক্লা খনখি - লুপা লিশীং তরামঙাখক্তনা চলাইবা মাইক্রো য়ুনিট ক্রোর হুম্ফুতরেৎ অদুদা লুপা লিশীং য়াংখৈ-য়াংখৈদং শেন্থং ওইনা পীরবা, ইন্দিয়ন ইকোনোমি’দা মদুনা করি অহোংবা পুরক্কনি?

ৱাখলদুনা মরম ওইরগনি ‘মুদ্রা লোন’গী মরূ হুনখিবা। নেসনেলাইজ বেঙ্ক অমদি রিজনেল রুরেল বেঙ্কিংশিং - ‘লোন-স্কিম’ অসিগী বেনিফেক্টরশিংনি। ‘মুদ্রা-লোন’ মখল অহুমনি (১) শিশু (মুদ্রা) লোন - লুপা লিশীং য়াঙ্খৈগী মখা/লীশিং য়াংখৈ ফাওবগী শেন্থং; ২) কিশোর লোন - লুপা ৫০,০০১দগী লুপা লাখ মঙা ফাওবগী লোন; ৩) তরুন লোন - লুপা ৫০০০১দগী লুপা ১০,০০,০০০ ফাওবগী লোন। প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনা লোন (পি এম এম ৱাই) হায়রগা খঙনবা নহারোলশিংবু থবক পীনবা মাইক্রো য়ুনিটশিংবু স্মোল/মেদিয়ম য়ুনিট ওন্থোক্লবা থৌরাং অসি হৌখিবা চহী মঙাসিদা ঐখোয়গী মীহুৎ ওইখিবা করম্বা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী পূক্লিং চিংশিনখিবগে? মীখল ময়া নকশিল্লকপসিদা হংনীংলকপনি।

*— ইন্দ্রকুমার*

# মমাদা মপাউ তমজবা

**লাইরিক্কী মমিং : ইমাদা ইবা চিঠি (শৈরেং)**
**অইবী : খোইস্নাম ওংবী বীরলা**
**ফোঙবা মতম : ২০২১**
**অফোঙবা : শখি অশাংবম ওংবী।**

লমদমসিগী খোরিরোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা লমদমসিগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা মণিপুরী অইবশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অসিগী মথক্তা খোরিরোলবু নুংশিজবী অইবী কয়া থোরক্তুনা মণিপুরী লোল অমদি খোরিরোল চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াররি। ব্রহ্মপুত্র অমদি বরাক তম্পাক্কী লমদমদদি অইবীশিং খূৎ থেকপদা ৱাররি। অদুবু আগরতলা লমদমদদি অইবী মাঙজিল থাবী অমা লৈরবসু অইবীশিংগী মশীং খূৎ নাম্মদা থেকপা য়ারি। মসিগী মনুংদা খোইস্নাম ওংবী বীরলা মশীং থাবা য়াওরি।

আগরতলা লমদমদা লৈরিবা ঈগী মরী ওইরিবী ইচিন-ইনাওশিংনা মীরমদা অপোকপী মমাগী মতম্বাক্তা চেন-চোংদুনা শান্নরবসু হৌরকফম ওইরিবা মমা লৈবাক মণিপুরবুদি কাউবা লৈতে হায়বসিমদি অইবা/অইবীশিংনা খুদোল তম্লক্লিবা খোরিরোল লৈচলশিং অসিনা খুদম ওইরি। **ইমাদা ইবা চিঠি (২০২১)** গী মমাঙদা **প্রলয়গী খূৎশোক্তা** হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমসু কুমজা ২০২১দা লমদমসিদা ফোঙদুনা শক্তাকখ্রবী খোইস্নাম ওংবী বীরলানি। অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসি চহী তরামাথোই কান্নরগা ফোঙলকপা লাইরিকনি। অইবীগী অনীশুবা শৈরেং লাইরিক্কি **ইমাদা ইবা চিঠি (২০২১)**। বীরলা মণিপুরী খোরিরোল নুংশিবদা নত্তনা **তখেল লৈমা তেংবাং লূপ** লিংখৎতুনা মচিন-মনাও কয়াবু মাঙদা চঙশিন্নবা হোৎনরিবী কবিনি।

শৈরেং লাইরিক অসিদা শৈরেং নিফুমরি (৪৪) য়াওরি। শৈরেং অসিদা হৌরকফম শাৎলকফম ওইরিবা মরমদম অমদি লমদমসিগী নাৎ কলচরবু শেমগৎচনীংবগী, য়োকখৎপা পামজবা, মীৎমাঙদা ঐখোয়গীসু মসি ফাওবদি লৈ হায়বা উৎনবা হোৎনবা খূৎইগী মশক্লা মরাঙ কায়না য়াওরি। অদুগা অমরোমদা নুপী ওইবীশিংবু অবলানি হায়হনবগী মহুত্তা থৌনা ফবী, মরিংজেল খাবী, মচা-মশু কয়াবু চায়োক-নাউয়োক কনবীনি হায়না উৎপা শৈরেংশিংনা মপূং ওইরি। তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংদা মমাঙগী মতমসিগী মিহুল মপূং ফানা ফোঙদোকপা শৈরেংশিংসু য়াওদবদি নত্তে।

অইবী বীরলানা পুন্সিদা তাঙ্কক লৌদুনা অপোকপী মমামক নৎত্রবসু য়োকচবী মমা ওইরিবী ত্রিপুরাগীদমক্তা থম্মোয় নুংদা অৰা মৈশা লাংদে। ঈগী হৌরকফম ওইরিবী ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক্তদি মীৎলু পিরাং ঈহৌনা লেপ্পা লৈতনা শিন্থরক্লিবা পিরাংগা লোয়ননা লোত্তুনা লৈরম্বা অৰাবা কয়া নুংহীক্লনা পাউদম্লক্লি। লমদমসিদা হান্নদগী লৈজরক্লবা ঙমখৈগী পল মীতোপ্পা অসুম অসুম লানশিন্দুনা মপু শারকপা, লৈজরম্বা অশেংবা মমা ওইবী কয়াবু নোংমা নোংমগী দন্দি পীদুনা মরাল কয়া থমজিল্লকপদা করম্বা থম্মোয়না খাঙদুনা লৈবা ঙমগদবনো, করম্না ইমা নঙোন্দা পাউদমগদগে হায়না শৈথাদুনা তেংথারি। ধর্ম্মদি হোংদ্রি মশাগী লৈজরক্লবা ধর্ম্মবু ঙাক্তুনা ইমাগী শক্তম ঙাক্লবা নচাশিংনদি হোৎনরিবা মশক অমরোমদা মচিন মনাও ওইবা কয়াগী মরক্তা নুংশিনদবা অদুনা মরম ওইদুনা অতোপ্পনা খুদোংচাবা লৌখিবা মসিবু করম্না খাঙঙুগে হায়দুনা মমাদা পাউহংলি। লমদমসিগী ওইবা ফজবা কয়াদি ঙসিসু লেঙদনা লৈরি, মমাগী নুংশিবা ধর্ম্ম কন্নবা, মমাগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা মচা ওইবা কয়া শারেপ ফারে অদুনা ইমা নহাক ৱারুরনু হায়রকই-

অশেংবা ধর্ম্মগী লানফম অমা/ইমাগী খোল্লাং লম্মন শিংনবা/নচানা ঙাইরিবনি মীকুপ খুদিং ... (ইমাদা ইবা চিঠি, লা: ১)

বীরলা পূক্লিং ৱাখল মতম চূপ্পদা লমদমসিগীদমক্তা ৱাজবা, লমদম অসিদা মহৌশাগী লৈজরক্লবা চৎনবী ঙসিসু লেপ্তুনা পাঙথোক্লদুনা লৈরিবা ‘নিংঙোল চাক্কৌবা’ (লা: ১৭), ‘লাংবন হৈশোই’ (লা: ২৬), ‘মৈতৈ নিংঙোল চাক্কৌবা’ (লা: ৩৮), ‘ইমালোল’ (লা: ৮৯), ‘ইমাগী পাউতাক কাউনরে’ (লা: ৬২) শৈরেংশিং অসিদা মণিপুরী অমা ওইনা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী চৎনবী কয়াগীদমক্তা খোয়রাংজবা মশকশিং উৎলকই। মৈতৈ অমা ওইনা য়োকচবী মমাগী মতম্বাক্তা চেন-চোঙদুনা শান্নজরবসু শারেপ কাংদোং ফাদুনা অচৌবা ঈচেলদা ঈতিল্লরবসু মমালোনবুদি কাউবা লৈতে। মচা ওইবা ঐখোয়গীমক্তা থম্বীরম্লবা ইয়েক, ইশাগী ওইবা লোন তখেল লৈবাক্তা শকচ-শোঞ্জবা, মীমাঙদা উৎচবা ফংজবা কয়াগী পোঙজবা, থম্মোয়দা পেঞ্জবা উৎলকই অইবীগী খূৎইদা-

তখেল ইমাগী মশায়কোন্দা/উমং লাই হরাওবদা/লৈশেমবুংগী লৈমা জগোয়/তৎন-থানবা য়াদ্রবা ইরোলনা/শক্লি শক্লি লৈশেম ঈশৈ। (লা: ৪৯)

য়ূম্নাক শাগৈ হোংখ্রবী নিংঙোল ওইবী কয়াগী হরাও মথোয় কাজবা, মপাম লমদম পাংদুনা মবুং-মৌপ্বা ওইবা কয়াবু থম্মোয়গী নুংশিবা কয়াগা পুকমেন-পাউমেঞ্জবা য়ূমলোন্নরম্বী মতা কয়াগী হরাও মথোয় কাজবা পূক্লিং ৱারোল ফোঙদোক্লবা থা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবনা লাকপদা অইবী বীরলাসু য়াওরকই। মবুং-মৌপ্বাগী ফজরবা মরীবু শৈথাদুনা ইরকই - “মবুং-মৌপ্বা মচলনা/ওক্লি থোঙ্গাল থোক্লা/তরা মথেল লাংনরি/নিংঙোল পূক্লিং পেন্ননবা/য়েলহৌ শক্তম চৎনবীনি/মৈতৈ নিংঙোল চাক্কৌবনি।”

মসিনসু লোইদ্রি বীরলা মশামক নুপী ওইরুবনা নুপী ওইবী কয়াগী শক্তম অৰাবা-নুংঙাইবা কয়া অমসু উরকই। মরায়বক থীরবী লাইবক্লা তমথীরবী নুপী, ঈরাং থাংবী নুজাশিংতগী মাঙজবা, নুপীবু শরাক তম্বীবা নুপী ওইবী কয়াগী হোৎনবা কনবা, ঙসি ঙসিমক থেংনরিবা অৰাবা কয়াশিং উরকই। মীৎমাঙদা কবিনা উরক্লিবা কয়াদুবু শৈথাদুনা অপাবা অতাবশিংদা উহল্লকই। বীরলাগী শৈরেংশিং ‘থাজ মানবীদো’ (লা: ১৯), ‘কনানা ঙাক্কনি নুপীগী ঈজৎ’ (লা: ২২), ‘নখোয় মমা নত্তে’ (লা: ৪৮), ‘থাবল্লে’ (লা: ৪৬) শৈরেংশিং অসিদা য়াওরিবা নুপীগী মশকশিং অসি য়েংলুরগা অইবী বীরলা নুপীগী থম্মোয় মশক মুন্না খঙবী নুপীগী মরায়বক অমদি নুপীগীদমক মতম চূপ্পদা খঞ্জবী অইবী অমনি। মতমসি তত্তনা থেংনরিবা ঈরাং থাংবী মফম মতম নাইদনা শক্লা লাং ওইনা থাকপী নুংশি খোঙজেল য়াঙবী নুজা ওইবীশিংগী পুন্সিদা থেংনরক্লিবা অৰা-পোলোই ওইবা মশক ময়েক শেংনা য়েক্তুনা উৎপা ‘থাজমানবীদো’ (লা: ১৮) য়েংবা য়াই;

থাবল চোংবদা ঙাওজবী/থাজ মানবী চনুরাদো/চীংচেপ্তুগী চীংখাদা/ঈ-নাই পুমতোৎ তোৎ/মফি মরোল ইচায় চায়না/তাদুনা লৈরম্মে নোংঙাল্লকপদা। (লা: ১৮)

পুন্সিগী অৰাবা পোৎলুম পুবদা চোকথরবী মখোঙ থাঙঙমদ্রবী চৎনবী কোরনা খাজিন্দনা থম্বীরবী মৈতৈ নুপী শুনা শুনা নোম্না নোম্না গাড়ী ষণগুম শাজৈ চারবী মৈতৈ নুপী হিংবগী মহাউ খঙজদ্রবী নৈহৎপীবদনা মশরুক ওইরবী লমদমসিগী নুপীগী মরাইবক অসিগীদমক্তা ৱাদবা ঙম্লক্তে। চৎনবীগুম লৈরিবা খুরবা মীৎয়েং কয়াগী নুপীবু হন্থনা থম্বী কয়াবু উরুরগা ৱাদবা ঙম্লক্তে। অদুবু মশাসু নুপীনি পূম্নমক খাঙবা তাই, শাউরুবা য়াদে, চৎনবী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবনি হায়দুনা পূক্লিংবু ফাজিল্লকই।

- নুপীগী মপোক্তা পোক্লুবনা/মীখা পোনবা হৌনশানি খন্দুনা/মরাইবক থীরবী নুপীজা কয়ানা হিংলি/নৈহৎপীরবা পুন্সিগী পোৎলুম পুদুনা ...। (লা: ১৯)

খুন্নাইসিদা লৈরিবা নুপী ওইবী কয়াবু নুপী মশানা নমথদুনা থম্বীবা, নুপীবু নুপীনা হন্থনা য়েংলিবা শক্তমশিং অসি উরুরগা অইবীগী থম্মোয়দা নুংনাংবা পেন্দবা পোল্লকই। অরেম্বা মতম মরাঙ কায়না ফংলবা মীওইশিংতনা মীগী অশোয়বা অরানবা থি, মশানা মশাগী ফিরেপ্তি খঙজদবী কয়াদা নুপীবু অথীবা মীংচৎ পীনবা হোৎনদুনা লৈ হায়বসি বীরলাগী শৈরেং ‘কনানা ঙাক্কনি নুপীগী ঈজৎ’ তা ফোঙদোক্তুনা নুপী মশানা নুপীগী ঈজৎ ঙাক্কদবনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকই;

নৈহৎপীরি তোয়না তোয়না/খোঙয়াগী উফুলগুম/নুপীনা নুপীগী ঈজৎ খঙনরক্ত্রবদা/কনানা ঙাক্কনি নুপীগী ঈজৎ। (লা: ২২)

অমুকসু লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা অহল লমন্না হায়বিরম্বা পাউতাক মচা মশু ওইবা কয়াদা মমানা তম্বীরম্বা তাকপীরম্বা য়াবা কয়া, তম্বীরম্বা চৎন-কাঙলোন, হৌন-লোনচৎ, ফিজেৎ, চাকচা য়ুথক কয়াবু থৌওইনরক্তবা উবদা খোয়শাওনবা পোল্লকই। হোংলক্লিবা চাকচা য়ুথক উবদা অইবীনা ফোঙদোক্লিবা ৱাহৈ য়েংবা য়াই;

ফিদোন চিংখৎনা শেৎলম্বা/খ্বাঙচেৎ মচি লাংলম্বা/ঙসিদি উবা ফংলক্তরে/শমদোন লোৎনা শম্বুল কিরম্বা/চেঙহী শংব্রৈ নুংশিনা লুরম্বা/উশিল্লকত্রে ঙসিদি। (লা: ৬২)

*ইমাদা ইবা চিঠি* লাইরিক অসিদা তোঙান তোঙানবা শক্তমশিং পোলিটিক্সকী মশক, তংদু লৈতাদবা খুন্নাইসিগী মিহুল, কথোকপদা শৈথাবা শৈরেং, নুংশিবদা লৈজবা খরা অমসু য়াওদবদি নত্তে। **খোইস্নাম ওংবী বীরলাগী** কুইনা হায়নীংলিবা ফোঙদোক্লিংলিবা কয়াবুদি মপূং ফানা অপাবা অতাবশিংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা ঙম্লে। অচম্বা লৌথুপ লৌকোই লৈতবা ৱাহৈগী ফজবা মশক খরগা লোয়ননা মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল তম্লক্লিবা অসিমক খোরিরোলবু নুংশিজবগী ময়েক লারবা খুদমনি। মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরবসু লমদম অসিবু নুংশিজবা মণিপুরী নাৎ অমদি কলচরসু য়োকখৎচনীংবা, কঞ্জনীংবা অইবী অমা তখেল লমদমদা মায়কৈ ঙাকপী ওইনা লৈহৌরগনি।”

*— মায়া নেপ্রম*

ৱারী ককনাউ

# তা থম্বালজাও

তা থম্বালজাওসি হন্দক্তি মায়থোং মকা য়াম্না লাম্মী। মমাঙঙৈগা খরা খেন্নবা উবা ফংই। অদুক য়াম্না হৈথোই শিংথোইবা অমদি মী খোনবা হৈবা মীগদি নত্তে। অদুবু হন্দক্তি মহাক করিগীনো খঙদে, য়াম্না পোঙনা উই। ৱাঙাঙ শঙাঙসিনা পৌরিবা, চুম্না ৱা অমগকা সুম ঙাঙবসি মখূৎ-ও মশা-ও থিন-থিন্দুনা, মখৌরিদা চেল্লিবা শীংলি উতোংদু মবুক থন্না চেনবগকদু উরদনা মখৌ পোঙনা পোঙনা ৱাজাওসি ঙাঙই। ৱাজাও ঙাঙবা অমবু তারবা ময়ামসিনা ‘তা থম্বালজাও’ ওইরমনি হায়না অদুম হায়নৈ, চুমসু অদুম চুম্লম্মী।

নহানদি থোকচোমগী পাখন হোটেলদুদা ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা চাথক মীটিং অমা পাঙথোকই। মীটিংদু মীখলগা মরী লৈননা শিনবা নত্তে। থৌওইনা মীটিং অমা তৌদৌরিগাইনা মী পোংনা তিন্দুনা তৌবা নত্তে। ওক্রমগী তাদা খূৎচাওনা ইচম চম্না হোটেলদা লাক্লগা চা অমা থকচরম্বনি। কদোমদগীনো তা থম্বালজাওনা থোক হাইজিল্লক্লগা ৱাকায়সি হেক্তা হৌরবনি, তাঞ্জাদুদা য়ূম্নামগী লাইশু হায়দুনা চঙশিল্লক্লগা ৱাপাংশিল্লবদগী মীটিং ওন্থোকখিদুনা, খূৎ থানদেদা খাকখিবগী ৱানি। ঐসু তাঞ্জাদুদা তল অমত্তা চাগে, হোরেনদি লুক কৎপা অমা চৎতৌ লৈ, চাক থেংনি হায়না ফমজরম্বনি। মোইগী ৱারীদু তাবদগী ঐসু মচি অমদা তূমিন লৈশিন্দুনা তারগা লৈথোক্লেদনা। মোইগী ৱারীদুদা থোকচোমগী পাখন হোটেলগী ইনে ইবেল্লৈ ইবানিনা য়েংন-য়েংনদুনা মোই মতৌদুদা পংনোক্তা নোকই। ঙাঙনরিবা মোইদি খঙবা নত্তে।

ওক্রম তা খূৎচাওদুদি মমাঙ চহীদা এক্সিদেন্ট অমা থোকপদগী মখোঙদু তেক্তুনা, য়োৎ ফুম্মী হায় কৈদৌদনা শেক শেক্তনা চৎচরিবনি, মহৌশাগুম খিং খাং, খিং খাং লাউজবা ঙম্বা নৎত্রে, শোঞ্জরবনি। শোল্লি-শোল্লি মানা ঙাঙবদুনি ঐনা তাবা নুংঙাইরিসিনা, মোং ইহা হেক হাদখৈ ময়েক্তা পোপ পোপ থাদবীনি। মদুদা তা থম্বালজাওসিনা মশিংখা ফুদোক্তুনা, মোইগী মবুধৌগী খুজিন ফকখিবদু ঙাই, মৈ হৌখৈ পংশাওদা শাওরিবা, থোইদোক্লা শাওনীংঙাই লৈতবদু মখয়াৎ কোঙ্গোল কাখৈ ঙাঙদুনা শাওজ রিপোৎনি। মসিদা ওইরে য়ূম্নামগী লাইশুনা য়ৈ য়ৈদুনা লাইরিক হৈবগী হৌনবী য়েৎথরক্লিসে। সিমুক নুংঙাইবা কুম্মৈসিদি ঐদি অমুক্তসু উদে। হায়বুদি নোংমা ঐখোয় লৈকায়দুদা ইষ্ট্রি তকপা বিহারি মচা বাবু প্রসাদনা হায়খি - ভয়াজি, মোইনা ঙাঙনরিদো করিসু তারুনু, মৰা অমত্তা লৌবীদে ঐদি, মরমদি মোইসিদি মচিন্দমক ঙাঙবনি, মখূৎতি অমত্তা য়াওদবা কাঙবুনি ভাইয়া”। ঐসু ৱা ঙাঙদে, তারি, মোইগী ৱাদু তাবদা হন্দক থক্লিসিগা চা গ্লাস অহুম শুরে। মোইগী মৰৈসি য়াম কন্না য়েৎনৈ, অমনা ৱাজাও, অমনা শোল্লি শোল্লি। মসিদা ওইরে, য়ূম্নাম লাইশুনা, চিক চিক্তুনা অমুক মুক খুল্লকইসে।

“তা থম্বালজাও, নঙসিসু লাইমা মথোং চাদেহে, মীগী মখোঙসু তেক্তনা য়োৎ ফুম্মিবা, লাইজৌদনা শোল্লি শোল্লি চৎপফাওবা ঙমদদুনা লৈরিবা অহলসিদা, হন্দক্কী য়াওশঙ স্পোর্টসতা লমজেল তান্নসি হায়না পংহায়দা হায়রিদুবু হেনমন্দ্রো। অদুই শরুক নমান নমান্নবা চেন চোঙবা ঙমদৌবা, মশা তিক তিক লাউরিবা, ৱার্ম অপ তৌদুনা, খোঙউপকসু নাইকিগী তোংদনা ফন ফন চোঙদনা রেদিদা লৈরিবা নহাশিংসিদা ওনশিল্লগা লমজেলদু শীংনগেদি হায়দ্রদনা হনুবসিদা, ইবো লাইমা য়েংনীংদেহে” তাদা লাইশুনা থোক হেন হায়জিল্লকপগী ৱানিসে। মাই ৱাতাদুদা হান্নদগী মশাগী অদুম শাওজদুনা লৈরবা থম্বালজাওনা থোক ওনখৎতুনা মখূৎ য়াওদেদা খক লাউথরকই।

“তৌনু তৌনু, নঙ অমা ঐনা নহান্দগী শেন্নদুনা লাক্লিবনি। নঙ অওৎ অপা শারক্কনুকো, নশক মুন্না খঙই। নঙনা মঙলিবা মঙদো কৈমতা কান্নরোই, নঙ অমা খিতং ঙাইরে, লৈকংদা ইরাক্লগদৌবা। নরিল লৈরগদি ঈপাক অচৌবদা চোঙথৌ অদুদি ঙমদনা খুজেংমুক্তং লূবা ঈশিংদা জোম জোম লাওনা নখোঙনা থিন্দনগা তৌজ শারিদো, ঐদি নোকপু নোকনীংই।”

“কৈনো নঙনা হায়রিদো, নঙগীদু য়াম্না হেনজিল্লক্কদৌরে, অহল অশোনবসিগা নঙগা লম্বা চাদে, মীদি মখোঙ তেক্তুনা লাইজে ৌদুনা লৈজরবনি, নরিল লৈরগা তিক-তিক লাউবা ঐখোয়দা ওইনা চেলেঞ্জ তৌ হায়বনি, নঙ নচুবাদুদা পোপ লাউনা থোম্মুরা”? সিনিসে তাদা লাইশুনা হায়রিসি। মদৈদি লোইরে কুম্মৈ তারে।

“হে নঙদি লম্বা চাদে, আদা চৎলো”?

“ইহ, কাইদা চৎতোইবা?”

“আদা হায়সিনি?”

“ঐনা চৎলসু নঙ ঐবু কোইতান তান্নরক্কনিনে, কোইথি থিরক্কনিনে, হে মীকিথি, ঐ য়াওদনা নঙনা নরিল লৈবা শারিদো নৰা লৌদে কো, কৈজাও শাবা কৈনাও”

“কনাদনো নঙনা হায়দো?”

“নঙোন্দনি কৈদৌগে হায়নো”

“নঙ খূৎ য়াওরকউরা?”

“নঙনা খূৎ থারক্লদি, ঐদি জগোয় শা লৈ তারেনে, হে ঐ নোইগী শ্বাইগী জগোয়দগকা ঙাওদুনা লৈবা মী নত্তে। নরিল লৈরগনা লাউ চৎসি য়েংনরুসি”

“কাইদা চৎতুইবা?”

“শ্বাইদা খৎনবা তল্লি কো, মী মমাঙদা অঙাংগা মান্নৈ হায়খিনি, শিলোংদা ওইনা চৎসি”

“চথোহে, চৎসি হায়রগা দেল্লীদা ওইনা চৎসি, কেপিটেল... কেপিটেল হায়দু খঙদ্রো, চাওখৎতবা, নোই শ্বাইগী চীং মচাগী হৌনবীদু ঐঙোন্দা য়াবরো?”

“ওহ... ফৈ ফৈ য়েংতারেদনা, নঙগী দেল্লী ময়াগী শ্বাইদা লৈরিবা মীয়ান মচাশিংদুনা নঙবু কয়াম কনবা ঙম্বগে হায়দু য়েংতারেদনা, ফৈ ফৈ”। অনীদু ৱা আ য়ৌনরে। অদুদগী থোকচোমগী পাখন হোটেলগী ইনে ইবেল্লৈনা থোরক্লগা,

“য়ারে য়ারে, লোইশিল্লো? ঐগী হোটেলসে নোই খৎননবগী মীটিং তৌফম নত্তে। য়ারে, থম্বালজাও নঙগী লুপা ২০ তারে, অদুগা খূৎচাও নঙগীসু ২০ তারে কদাই, হৌগৎলো, মীগা অমত্তা চঙলক্ত্রে। নোইনা লুপা ১০ হাপ্পীবা নত্তে, অফম্মন লৌবা রেষ্টুরেন্ট নত্তবনিনা। লেংখৎলো হায়রগা তানখিবু, ঐ ৱান্থখৈ নোক্লগা লৈহৌইদনা।

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।